ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুন ২৩, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৮৮শুবা মশীং

# লাই হরাওবদা চৈ কানবা

## মতুং থোকহল্লগুমসি, ইকায়জে

লাই হরাওবা হায়বা থৌরমসিগী ফজবা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক কয়া লৈ। ৱাহন্থোক কয়াদুগী মথক্তা তঙাইফদনা তৌফদবা য়াদ্রবা, পাঙথোক্তবা য়াদবা লাইগী থৌরম অমসু ওইরি। মরম ময়ামসিদগী ঙসি ফাওবা লিশাং শিংনা হায়রিবা থৌরমসি পাঙথোক্নরক্লিবনি। অদুবু তৌদবা য়াদ্রবা লাই হরাওবগী থৌরম-লাইথৌশিং পাঙথোকপদা তৌরোইদবা থবকশিং তৌশিনবা, অশোয়বা, অরানবশিং য়াওহনবগী থৌদোকশিংসিদি চৈ কানবগী থবকশিং কৌগনি। মরম অদুনা কাল্লোইদবদা চৈ কাল্লিবা মীওইশিং অদুদি মখোয়না কান্থোকখ্রিবা চৈশিং অদুনা নময়াংদুদা চিংবীবা চুমগনি। অদুবু মসিনা লমহেন-তুহেনবা তৌবগী চৈরাক্কী ৱানি। লুরিবদি অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি করিদগী মতৌ করম্না থোকহন্দুনা ওইহল্লকপনো হায়বসি থিদোকহৌবা চুমগনি। মতমগী মতুংইন্না মণিপুরগী অমসুং লৈবাকসিগী ৱাংমদগী মান্নদবা, খেন্নবা অতোপ্পা ফুরুপ-কাঙলূপ কয়াগী ঈথিলশিং চঙলকই। ঈথিল চঙলক্তুবা ফাওবদা চীংলোন ৯ লান্না চঙশিল্লকপা ময়ামদু হকথেংনরকপদগী মণিপুরী খুন্নাইগী ওইনা তরং-তরং লৈজরকপা ফীভম কয়াদা থেৎচিন হাপচিন্নরকই, শেমদোক-শাদোক্লবা হোৎনবা য়াওরকই। তশেংনমক লাই হরাওবগী থৌরমদা ৱাথোক-লান্থোক ওইহল্লক্লিবসি মসিনরা? অতোপ্পা নুংগী ওইবা অতৈ ৱাখল্লোনশিং চেনবা য়াওব্রা হায়বদুসু থিদোক্তুনা খঙদোকপা চুমগনি, কান্নগনি।

মরমদি চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মণিপুরী খুন্নাইগী মরু ওইবা ফুরুপসিনা ফংলকখিবা, নংলকখিবা অৱা-চৈথেং য়াম্মনখ্রে। অৱাগী মখূৎতা চহী ৭ খুন্তাক্লুরে। পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী থৌরমশিং য়াওনা মপূং ওইবা ফুরুপসিগী অরূবা ঈমাইশিং মপান্দগী চেনশিল্লকপা অচৌবা ঈচেলগী শরুক্কা তোৎশিন-য়ানশিন্নরকপগী ফীভম লাকপদগী পুল্লপ তাইওন্নদুনা মথক-মখা ওন্থোক্কে তৌরুরে। ইন্দিয়া পূম্বগী মপু ওইশিল্লকখিবা বৃটিশকী মখাদা চহী ৫৬ মীখা পোল্লুরে। মায়োক্নরকপা অৱা-চৈথেংশিং খাঙবা ঙম্লক্তবদগী অহানবা অমসুং অনীশুবা নুপী লান থোকখ্রে। হায়বদি হৌজ-থেঙ্খাং কয়াদা কালেনগী য়াক্লবা নুংশা, নোংজু থাগী ঈশিং ঈচাও অমসুং ৱাকচীংগী উল্লেনগুম্লবা চৈথেং কয়া থেংনখ্রে হায়বনি। মরম অসিনা হৌজিক্তি ফুরুপসিগী মশাগী ওইজবা চৎনবী, নাৎ, কলচর অমসুং লাইনীং-লাইশোনগী থবক-থৌরমশিং পোৎয়ান য়াওদনা তরু-তরু থম্লগা মশক থোক্না লৈহনবা, থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। থবকশিং অসিমক ঙসিগী ফুরুপসিগী মীরোলখক্কী নত্তনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিং পূম্নমক্কীনি। মখোয়গী ওইগদৌরিবনি। অদুনা লাই হরাওবগী থৌরমশিংদা তাম্বুল শাবনা শেরান-তুরান তৌই হায়বগী ৱাথোক লৈখ্রে। মরী লৈনবা লোয়শঙদা কৌখৎনদুনা ৱাফংনখ্রে। লাল্লুপ কানখ্রে, ৱায়েন কাটি পায়দুনা ৱায়েনখ্রে, চৈরাকসু পীখ্রে। চহী খরগী মমাঙদদি লাইবুংদা থৌগল তৌরিবা তাম্বুল শাবদা চেনশিল্লক্লগা চোংখৎলগা কাউরুবদগী শিবা-নাবা য়াওনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা লাই হরাওবদা কারন তৌরকপগী ৱাথোক লোইদ্রি, লেপ্তনা থোরক্লি। মসিদি চুমদে। থৌরমসিদা তাম্বুল শাবনা চৎহৈদবা লিচৎ চৎলকই হায়বগী ৱাথোক তোয়রকপদগী তাম্বুল ফুরুপকী লূপ অমনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপসু লৈখ্রে। অসিগুম্বা থোকহল্লকফম থোক্তবা থৌদোকশিং অসিবু থোরকহন্দনবা লাই কম্মিটিনা নৎত্রগা লাই হরাওলোন ফজনা খঙলিবা অমাইবা-অমাইবীশিংনা মীওইশিং অদুবু থৌগল তৌহন্দ্রিঙৈদা নীংথিজনা তাকপী-তম্বীহৌবা য়াদব্রা নৎত্রগা হায়না হায়না লমহেন তুহেন্নরক্লিব্রা হায়বদু থিদোকপা চুন্নগনি। থবকসিনা অমনা অমদা মরাল থংজিন্নবরোমদা চৎহন্দনা অসিগুম্বা থোকহন্নীংদবা, থোরকফমসু থোক্তবা থৌদোকশিংসি মতুংদা অমুক হন্না থোরক্তনবা পূম্নমক্কা পূন্না হোৎনমিন্নগদবনি। ফুরুপসি খক্কী ওইজবা অদুসু লাইগী ওইবা থৌরমদা ঙাইহাক লৈতনা ৱারু-নুংজু থোকহনবা চুমদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১) **“স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা”** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“পলেমগী খোমলাং অমৃত থক্লিঙৈদগী অহানবা শিন্দম ওইদুনা নৱাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংফম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল--নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমারোল, মৈতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরি।”** ৱাহৈ পরেং অসি কনানা ইরম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি ৱারেংদগীনো?

৩) **“চন্দন পাম্বী কয়া কয়ানা,/চীং-মাল-নারক শীংলক্তা,/মাং’গুম অরেম্বা উকং ওইদুনা,/পূক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা,/থারিবা চন্দন পাম্বীদু চেকশিন্না,/কংখ্রনিদো অরেম্বদা।”** শৈরেং মতেক অসি কবি কনানা ইরম্বা করম্বা শৈরেংদগীনো অমদি করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) **“কাওশীং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“মোহন দাস”** হায়বা মণিপুরী লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮৩

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ফজবা শেৎ-চাবা হায়বসি মীপূম খুদিংনা লোইনা পাম্নে। অদুগী মথক্তা মণিপুরদা লৈরিবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়াদা লৈরিবা পর্ফোর্মেন্সশিংগীসু মশা মশাগী ওইবা দ্রেস অদুম লৈজে। লৈরিবা খরদু ওন-ওন্দুনা শুরগা মচু তানা-তানা শেৎনবা ঙাক্তনি। থোইদোক্লা অহনবা শেত্তবা য়াদে হায়বগী থোইদোকপা লৈতে। অদুবু শুমাং লীলাগীদি খরা খেন্নে। শুমাং লীলা হায়বসি অহিংবা মীয়ামগা লোয়ননা তোৎন-তিন্নরগা শান্নমিন্নবনি। য়েংবীগদৌরিবা ওদিএন্স অদু য়াওনা লীলা শান্নমিন্নবনি হায়বমক য়াই। অদুগীসু মথক্তা ওদিএন্স মরক্তা, ইকোয় কোয়শিল্লগা য়াম্না নক্লনা শান্নমিন্নবা মখলগী প্লে মওং অমনি। ওদিএন্সনা ঙাঙলকপা দাইলোগসু খুদক্তা শান্নরিবা শুমাং লীলাদুগা হেক্তা শমজিন্নহন্দুনা অঙকপা মখলগী নুংঙাইবা অমা পীবা ঙম্বা মখলগী প্লেনি। অদুনা ফিজেৎ লৈতেং হায়বসিসু ওদিএন্সকী অপাম্বগী মখা য়াম্না পোল্লি। অদুবু মমাঙঙৈগী অহল লমনশিংনা শুমাং লীলাগী ফিজেৎতা কা হেন্না খূৎ অমদি শেল থাদবা তৌনরক্তে। অরৈবা খরনা অদুম য়েংলিবশিংদা ইথিলবু পীবা ঙম্লবদি থোইদোক্লা কা হেন্না লুনা লৌনরমদে। অদুম্নমক্তি ওইরগা মতমগী মতুংইন্না খেন্নবা অহোংবা হায়বসি লাকখি।

ঐখোয়না খঙলকপদা, লীলা কন্না তৌরকপা মতমদসু ফিজেৎকী মতাংসি কা হেন্না লুনা লৌনরমদে। অদুবু খরা খরা অহোংবসি য়াম্না থুনা লাকপা হৌখি। ইশম শম্না মসিগী চিলহাও থিহনখিবসি ঐবু তশেংনা হায়জৌ হায়রগদি, হিন্দি ফিল্মনা পীবা ইথিলনি হায়না হায়জনীংই। হিন্দি ফিল্ম হায়বসিনা ঐখোয়গী লম অসিগী পুন্সিরোলগী ফীভম অসি য়াম্না হোংহনখি। ইশম শম্না লৈশা পাখং নুংশিনবা ফাওবদা হিন্দি ফিল্মনা ইনফ্ল্যুএন্স পীদুনা ইচম চম্না নুংশিনরম্বা, লৈনরম্বা মরীদগী ময়েক য়াকপা হেনজিলহনখিবনি। মরু ওইনা ফিজেৎকী মতাংদসু অদু মঙাই, ফিল্মগী হিরো-হিরোইননা শেৎপা ফিরোল অসি মণিপুরদা য়াম্না থুনা মতৌ তম্নরকখি। ময়াম্নসু হেন্না খঙবীরিবা অদুনি, হেমা মালিনিনা শেৎপা শাড়ি অদু, হেমা মালিনি মচু হায়দুনা হেক্তা শ্বাইদা মমিং চৎলি। পঞ্জরিবসি অমখক্কী ৱানি, য়াম্না লৈখ্রে, লোইনা পঞ্জদ্রে। কনাগী শমকক ফাওবা, রাজেশ খনাগী শমকক, অমিটাব বচ্চনগী শমকক, দেব অনন্দগী শমকক য়ামখ্রজাৎনি। শ্বাইদা হেক্তা মতৌ তম্নে। অদুনা ফিজেৎ অসিসু শ্বাইদা মতৌ তম্নরকখিবনি। শাড়ি শেৎপা হায়বসি ঐখোয় খুন্নাইদা চৎনরক্তে। অদুবু শুমাং লীলাদা শাড়ি শেৎপগী মওং মতৌ অসি হিন্দি ফিল্মনা পীবা মতৌনি। শাড়ি শেৎলগা ফজবগী, চাওথোকপগী ৱাখলসি শ্বাইদা য়াম্না খন্নরকই। থাবল চোঙবদা শাড়ি শেৎপা লৈশাবীসি য়াম্না ফজরে হায়না মশানা খন্নরম্মী। য়াম্না পাম্নরম্মী। অদুনা থৌওইনা অতৈ মতমদা শেৎত্রবসু থাবল চোঙবগীদমক শাড়ি লৈনরম্মী। অদুনা ঐখোয়না লীলা তৌরকপা মতমদসু শাড়ি শেৎলু হায়বসি মতমদুগী লীলা কৌরিবা, য়েংলিবা নুপীশিংনা য়াম্না হায়। অদুনা মোইনা কৌবা লীলাদা নুপী শাবীশিংনা শেৎনবনি হায়দুনা শাড়ি অনী অহুম থনম্মী, শেত্তবা য়ারোই হায়না। ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অদুনগা খরা পামজবনে, লীলাদুদা চান্নে চান্নদে খঙদনা শাড়িসি পংশেৎতা শেৎকৎনরকখি। মদু ঐনা য়াম্না পামজখিদে, থৌওইনা মদুগীদমক ৱা য়াম্না হায়নরকখিবদু ঙসি নীংশিংলকই। লীলাগা লোইরকপদা শাড়ি শেৎপা তম্বীরমখো হায়দুনা লৈশাবী মচাশিং অদুনা ফি শেৎফমদা পুময়োম হেক্তা য়োম্বনি। আর্টিষ্টশিং অদুনা লৈশাবী কয়াদা শাড়ি শেৎপা তম্বীরমখিবদুসু অমত্তা চীথুদনা ঙসি নীংশিংলি।

খরা ঙল্লিঙৈ মতম অদুদা ফিজেৎকী অহোংবা লাকপা হৌরকপা অদুদা, আর্টিষ্টশিং অদুনা মখল মথেল, মচু-মমেন কয়াগী ফিরোলদি লৈবা ঙম্বা নত্তে। ইন্নবা অতাঙবা মচু কয়াগী ফি, লিৎনবা ফুরিৎ ব্লাউজ মখল কয়া, ফনেকনচিংবা কয়াসি নুপী শাবীশিংগীদমক্তদি মরাং কায়না থনম্মী। লোইনা ৱাইহল্লি, অদুগা শেৎহল্লি। তৌবৈবুদি শেৎনরবা ফনেক ফাওদি অমত্তা শেৎখিদে অহনবা নত্তনা। মতমদুগী য়াম্না নুংশিবা অমগা নীংশিংলক্লে। অয়াম্বা নুপী শাবীশিংসি লীলা কৌরিবা মফমদগী শম্বান্দোং হেক হেক ৱাইরম্মী। মতম অমদদি মশাগী শম শাংনা খাক্তুনা নুপী শাবা কয়া লৈরমদে। লোইনমক অহাপ্পা শম ঙাক্তনি। হাপ্লিবদুসু অশেংবা শম নত্তে, লিমোনগী শমনি। লিমোননা শাবনি। মানবুদি মাল্লি হায়ববু থোইদোক্লা অশেংবদুগদি য়াম্না খেন্নে। অদুনা অয়াম্বা মতমদা শম হাপ্লবসু মতুংদা পুল্লপ পুনশিনবনচিংবা কয়া তৌনৈ। অমনা শম্বান্দোংসি অমা নৎত্রগা অনী ৱাইরগা লুতুংগী শম পুনবদা শম্বুল চাওনবা হাপ্নে, মদু অৱাইবা ঙাক্তনি। করিগুম্বা ৱাইবা ফংদবগসু য়াওরিবনি। মতমদুদদি অহাপ্পা শমদুদা ফি মচা অমনা য়েৎলগা অমুক মদুগী মথক্তা অহাপ্পা শমদুনা খুমজিল্লগা শম্বুন চাওনা পুনবসু তৌরম্মী। লীলা শান্নরিঙৈদা শম তাবা, অহাপ্পা শম নান্থরকপা, য়াম্না তোয়না থোকই। অদুবু খরা থেংথরকপা মতমদদি, শমসি শাংনা শাংনা খাক্তুনা অশেংবা শমদু ওইনা শাংনা থোরকপদা য়াম্না পাম্না ময়াম্না য়েংনখি। মমৈথংদদি নুপী শাবীগী শমসি অশেংবা শম্বান্দোং লৈরগা শম শাবা হৈবশিংদা ফিদা লোন্দুনা কোক্কী সাইজ মতুং ইন্না শাদুনা য়াম্না মান্না মান্না হাপ্নরে। লীলা ফি শেৎফমদা ইকোয় কোয়শিন্দুনা য়েংলিবসি অতৈ অমত্তা নত্তে। নুপী শাবীনা নুপী শারকপদুনি য়েংলিবসি। শম হাপ্পা য়াম্না মুন্না য়েংখ্রজাৎনি। মদুদা ময়ামদুনা হরাওজরিবনি। মসিসু লীলাদগী হেন্না নুংঙাইব্রা খঙদে, লীলা ফি শেৎফমসি মীনা হেক্তা কৃক-কৃক ইন্নদুনা য়েংবজাৎনি। তান্থোকপগা চৎপা নত্তে। অমুক তান্থোক্লবসু পুখ্রিদা লৈবা কং হাইদোকপগুম্বনি, সর হেক্তা ওমশিল্লক্কনি। নুপা নহা ঙাওশিন্নবশিংনা চুম্নগী য়েংবতা নত্তনা কারন য়াম্না ঙাঙই, মচিন থীবা, মী উশিত্তবা অমদি অতৈ তাবদা নুংঙাইতবা ৱাগসি য়াম্না করেম কথাইনদুনা হেক হেক হায়বদু নহা ঙাক্তনিনা শাওনীংলকপা য়াওবদা মরৈ হেক্তা য়েৎনবা য়াওই অদুনা লীলা ফি শেৎফমদা মী য়েংবসি ঐখোয়না য়াম্না পামজখিদে। অদুনা লীলা চেবাউ লৌবা ফাওবদা লীলা ফি শেৎফম অদু ওদিএন্স লৈবদগী খর লাপ্তক্লা শেম্বীয়ু, কর্ণাটনা ইকোয় কোয়শিল্লগা খাবীয়ু গাইনা লীলা চেবাউগী রিসিপ্টতা ফাওবা নম্লগা হাপ্লিবনি। অদুবু য়াদে, ময়ামসিনা হেক্তা ওমশিনবনি। য়েংনীংলদি য়েংঙো হায়দুনা থৌওইনা তৌবগসু য়াওরিবনি। মদুদনা য়েংলিবশিংদুনা হেন্না হরাওরে। য়াম্না ঙল্লিবদি লীলা ফি শেৎপা য়েংবসি নহা, অঙাংশিং, পাখঙ মচাদগী হেন্দোক্তুনা চহী লৈশিল্লবশিং ফাওবা য়াওই। মদুগী মরক্তুদা লৈশাবীশিং, মৌ নহাশিংফাওবা য়াওরিবনি। মখোয়না থল্লিবা মমিৎ খুদিংমকশিং অসি নুপী শাবীদনি। মখোয়না কেবগী মওং, অমগী মথংদা অমা অমুক তৈ, অমা অমুক তৈ তৌবদু মথং মনাও কায়দনা মমিৎ কুপ্তুনা য়েংলিবনি। নুপা শাবা ঐখোয়দদি য়েংবীবা নত্তে। ঐদি মহৌশাদগী হৌনা মেক-অপসি কয়া তৌদে। ঙল্লিঙৈ মতম নত্তনা পেষ্ট কায়দু মায়দা শুংতৈবু তৈদে। ঐগী হায়বু নেভিয়া ক্রিমগুম্বা অমা ঐনা পুই, মদু খরা মায়দা তৈশিল্লগা, মদুগী মথক্তা দ্রাই পাওদরদু পোপ পোপ থাজিল্লগা লোইরে। লীলা ফি শেৎফমদা য়েংলিবা ময়ামদুদা লীলা হৌরগে ময়াম লীলা য়েংফমলোমদা চঙবীরো হায়রুবদা, হিরো শাবা মেক-অপসু তৌদ্রি, কৈসু হৌখিরোই হায়না হায়রিবনি।

তমজরিবসি নুপী শাবীশিংগী দ্রেস খক্তগী ৱা ওইখ্রে। তৌবগীদি, নুপা শারিবা অতৈগীদি খঙদ্রে, ঐসুনি, ঐনা ৱাইদবা লৈতে, কনাগী কোট, ফুরিৎ, ঘড়ী, আনোক, পেটি লোইনা ৱাইবনি। মসিগী মতাংদদি মমাঙদসু পঞ্জখ্রবনিনা শুপচিঞ্জরবনি। অদুবু য়াম্না নোক্লিংবা অমতংদি তমজদবা ঙমদ্রে। লীলা য়েংবা লাকপা নহা অমদগী ঐনা ঘড়ী মমায়গা খরা পাকপা ফজবা অমা ৱাইরগা শী, ঘড়ী মমায় পাকপসি মতমদুদা য়াম্না চৎনৈ। পাক পাকসু শীবা ঙম্নদে, অখন্নবা মী খরদনা ঘড়ী শীবগী ৱানি, ঐগীসু ঘড়ী অমফাওবা লৈবা মতম নত্তে। লীলা হৌরমদাইদুদা, পাখঙ মচাদুনা শীবদু ঐনা কৌশিল্লগা ৱাইরগা শীবনি। নুমিৎতু কাংগী লীলানি, নুংথিলদা শান্নবনি, ঘড়ী মপু অদুসু ময়াম্বগী ঘড়ী মানা শীরগা লাকপজাৎনি। ঐদি মাগী ঘড়ীদু শীরগা থোক্লুরে, হনজিল্লকপদা মপুদুনা মাগী ঘড়ীদু পীরো হায়রে, ঐনা য়াখিরোই, ঙাইহাক্তা ঙাইখো, হৌজিক শীরগা থোক্লুবদু অমুক শীদনা থোক্লবদি য়াররোই অদুনা মথংগী সিন ফাওবদি ঙাইরো হায়বদা, পাখঙ মচাদু মশাদা ইপা পাখৎপা অমা উবা ফংখি। মদুগী মরমদু ৱারী শানবদা মানা হায়বসি, ঘড়ীদু ময়াম্বনা ঙাইদুনা লৈরম্মনি, মঙোন দা চৈরনি হায়বগী ওই লৈরম্মে। নুংঙাইতদুনা ঘড়ীদু পীথোকখি। য়াম নোক্লিং নোক্লিংবা থৌদোক কয়া অমসু থোকপা জাৎনি। ●

# তূমিন্না লৈববু শোনবনি হায়না লৌবদি লানগনি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

চাইনানা য়ু এস এগুম মখোয় মঙাইরে হায়দুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ঙাইহাক লৈতনা খূৎ থিংজিল্লিবা, লান থোকহল্লিবা অমদি লৈবাক মনুংদা অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা অমদি য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা য়েংথিনহন্নবা হোৎনরিবা অসিগুম চাইনানা তৌরুদনা, চঙলুদনা তূমিন্না লৈ হায়দুনা চাইনাবু পাংদবনি নৎত্রগা শোনবনি হায়না লৌবদি লানগনি। চহী লিশীং মঙা হেনবগী পুৱারীদা অতোপ্পনা লান্দারকপদা মরৈবাক ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা লান্থেংনবা নত্তনা চাইনানা লান্দারুবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকনি। য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকনি হায়জরিবা অসিসু নোংচুপলোমগী মীৎয়েংদা য়েংলগদি চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লান্দারুবসি য়ু এস এদগী হেল্লি হায়না থল্লক্কনি। য়ু এস এনা হেনব্রা নৎত্রগা চাইনানা হেনব্রা হায়বদুদি শোম শোম্না খন্থবীরো। চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লান্দারুই নৎত্রগা লান্দারুদে হায়বসিসু ঐখোয়না লান্দাববু (invasion) করম্বা মওংদা ৱাহন্থোক থম্বগে হায়বগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।

অদুবু ঐহাক্লা খঞ্জবা থৌদোক ৱাথোক খরদা য়েংলুরগদি ঐহাক্কী ওইনদি চাইনানা হৌদুনা লান্দারুবনি হায়না লৌদে। ঙমখৈগী য়েৎনবদা লৈবাক অনী খূৎ থোক্লবা অদু লান্দাবনি হায়না লৌরদি য়ূমথংনরিবা লৈবাক অনীমক অমনা অমবু লান্দারে হায়না লৌবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা ইন্দিয়াগা চাইনাগা ঙসি ফাওবদা লান মচা মচা থোক্তুনা লাক্লি। মসিদা চাইনানা ইন্দিয়াদা লান্দারকপনি হায়না লৌগদৌরিব্রা নৎত্রগা ইন্দিয়ানা চাইনাদা লান্দারুবনি হায়না লৌগদৌরিব্রা হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়না করম্বা ৱাহন্থোক থম্বগে হায়বসিদসু য়াম্না মখা পোল্লি।

অসিগুম্বা থৌদোকসিদি ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগসু তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিবু ইন্দিয়ানা পাকিস্তান্দা লান্দারুবনি নৎত্রগা পাকিস্তাননা ইন্দিয়াদা লান্দারুবনি হায়না লৌগদৌরিব্রা। অসিগুম্বা ঙমখৈগী ওইবা থৌদোক মচা মচাশিং অসিবু চাইনানা লান্দাবনি হায়না লৌরবদি য়ু এস এনা লৈবাক কয়াদা নোংমৈ, বোম, টেঙ্ক, কেমিকেল অমদি বাইওলোজিকেল ৱারফ্যেরনচিংবা তৌরিবা থৌওং অসিদি করি হায়না লৌগদৌরিবা।

চাইনানা লান্দারুবগী মহুত্তা অতৈ লৈবাক কয়ানা চাইনাদা লান্দাখিবগী খুদম খরা থমজগে। চাইনাদা লান্দারকখিবা মরু ওইবা লৈবাকশিং মথং মথং থমজরবদা, খ্বাইদগী হান্না লান্দারক্তুনা চাইনাগী মথক্তা লৈবাক ঙাকখিবসি Mongol Empire নি। Mongol Empire না চাইনাদা চহী ৯১ পানখি। মসিগী মতুংদা চাইনাদা লান্দারকখিবসি Japanese Empire নি। Japanese Empire না চাইনা পূম্বা লৌশিনবদি ঙমখিদে অদুবু মখোয়না লান্দারকপা মতমসিদা খ্বাইদগী চাইনিজ মীশিং য়াম্না হাৎখিবা মতমনি। Japanese Empire না চাইনাদা লান্দাবসি কুমজা ১৯৩৭তগীনা ১৯৪৫ ফাওবনি। সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারদা মায়থীদুনা চাইনা অমদি টাইৱান থাদোকখিবনি। টাইৱানদি চহী ৫০ জপানগী মখাদা লৈখি। Japanese Empire না চাইনাদা লান্দাবা মতমসিদা তশেংনা খূৎথেংননা মখোয়গী মখূৎতা নোংমৈনা নৎত্রগা অতোপ্পা খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নদুনা হাৎখিবসি মীওই মিলিয়ন ৪ মুকনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা থল্লি। অদুম ওইনমক লান্দারকপা অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবসি মীওই মিলিয়ন ১০.২নি হায়না অখঙ অহৈশিংনা থল্লি। গুগল সর্সতা অদুম ইফোং ফোংনা য়াওবনি।

মসি খঙনা খঙনা মপাঙ্গল কল্লবা কম্যুনিষ্ট চাইনানা ঙসি ফাওবদা জপানগী মথক্তা লান্দারুবা লৈতবনি। মসিদগী ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবা হায়ববু চাইনাসি লান পাম্বা লৈবাক নত্তে হায়বসিনি। চাইনানা লান পাম্বা লৈবাক ওইরম্লবদি টাইৱানসি নহান্না লান দাদুনা লৌশিন্নবা হোৎনরম্বা য়াবনি। অদুবু মদু খক তৌখিদে। মসি হায় হায়দুনা চাইনানা টাইৱানদা লান্দারক্লোই হায়বদি লানগনি, মরু ওইনা য়ু এস এ অমদি নাটোনা ইনশিন্দুনা যুক্রেনদা থোক্লিবা অসিগুম টাইৱাননা করিগুম্বা ৱান-কন্ত্রি-টু সিষ্টমগী য়ান্নবা খূৎয়েক অদুবু ইকায়খুম্নদবীদা মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমনি হায়না লাউথোক্লুরবদি চাইনানা লানগী খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নদুনা লান্দারকপা য়াই। মসিদি চাইনানা ইফোং ফোংনা হায়দুনা লাক্লবা ৱাফমনি। ৱাফম অসিবু য়ু এস এ অমদি নাটোগী লৈবাকশিংনা ইকায়খুম্নদবীদা টাইৱান্দা নীংখা তম্নবা ইনশিল্লবদি শোয়দ্রে অহুমশুবা লাঞ্জাও থোকপা। মসি ওইহনগে ওইহল্লোই হায়বসি চাইনাদা লৈতে য়ু এস অমদি নাটোগী মখা য়াম্না পোল্লি।

জপাননা লান্দারকপগী মতুং তারকপদা অতৈ চাইনাদা লান্দারকখিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং হায়রগদি রুসিয়া, বৃটিশ, ফ্রান্স, য়ু এস এ, ইটলি, জর্মনি, হঙ্গেরিনচিংবা য়াওরি। অসিগুম্বা পামদবা পুৱারী লৈদুনসু ঙসি ফাওবদা কম্যুনিষ্ট চাইনানা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা লান্দারুবা লৈত্রি লোয়ননা লান্দারুগনি হায়বগী চিংনবসু লৈতে হায়না লৌবা য়াই। অদুম ওইনমক কম্যুনিষ্ট চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লান্দারুদে হায়দুনসু চাইনাবু শাউহল্লুবা থোক্লবদি চাইনানা লান্দারক্লোই হায়না লৌবদি লানগনি। ঙসি ঙসি চাইনা অমদি টাইৱান অনীগী মরক্তা লৈরিবা ৱান কন্ত্রি-টু সিষ্টম হায়রিবা (ষ্টেটস ক্বো) মরি অসি করিগুম্বা টাইৱাননা থুগাইদুনা নীংখা তমগে হোৎনরবদি চাইনানা খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নদুনা লান্দারক্লোই হায়না লৌবীগনু হায়বা ৱাফমসি চাইনানা য়ু এস এদা ইফোং ফোংনা থমদুনা লাক্লিবা অসিনি। চাইনাগা টাইৱানগা ৱান কন্ত্রি-টু সিষ্টমস হায়না লৈবনা মালেমগী লৈবাক ১৯৩গী মনুংদা শুপ্নগী অপিকপা লৈবাক ১৪ নত্তনা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসি চাইনাগী শরুক অমনি হায়না য়ান্নদুনা লাক্লিবনি ঙসি ফাওবদা।

ঙসিগী কম্যুনিষ্ট চৎপা, ৱান পার্টি সিষ্টম লৈবা চাইনানা ঙসি ফাওবদা অতোপ্পা মফম নৎত্রগা লৈবাক অমবু লান্দাদুনা লৌশিল্লুবা লৈত্রি হায়না থম্বা য়াই। মতাংসিদা টিবেটকী ৱাফমসি পুশিল্লকপা য়াই। ৱাফম অসিসু নোংচুপলোমগী ৱাহন্থোক্তদি চাইনানা টিবেটতা লান্দাদুনা টিবেট লৌশিনবনি হায়না লৌবা য়াই অদুবু কম্যুনিষ্ট চাইনানা টিবেটতা বোম, টেঙ্ক শীজিন্নদুনা লান্দাদুনা লৌশিনবা লৈখিব্রা, লৈতে। কুমজা ১৯৫১দা টিবেট লৈঙাক্কা চাইনিজ লৈঙাক্কা য়ান্নবা অমগী মতুংইন্না খূৎয়েক পীনখিবা অদুগী মতুংইন্না (Peaceful Liberation of Tibet) চাইনাগী মখাদা লৈরকখিবনি। মসিবু লান্দাদুনা লৌশিনবনি হায়রি। অদু ওইরবদি চাইনাগা হোঙ কোংগা কুমজা ১৯৯৭তা য়ান্ন খূৎয়েক পীনদুনা চাইনাগী মখাদা লৈরকপা অসিসু চাইনানা হোঙ কোংদা লান্দাদুনা লৌশিনবনি হায়গদৌরিব্রা। লোইদ্রি। চহী ৪০০ হেন্না পোর্টুগল লৈঙাক্কী মখাদা লৈরুরবা মতুংদা কুমজা ১৯৯৯দা মকাও হায়রিবা ঈথৎ অসি চাইনাদা অমুক হনজিল্লকখিবনি পোর্টুগল লৈঙাক্তগী য়ান্না খূৎয়েক পীনদুনা। মসিসু চাইনানা লান্দাদুনা লৌশিনবনি হায়গদৌরিব্রা। চাইনানা লান তৌদুনা লৌশিল্লুবা মফম অমত্তা য়াওদে হায়বা য়াই চাইনাগী হিষ্ট্রিদা। নোংচুপলোমগী নোংমৈ, বোম, টেঙ্ক শীজিন্নদুনা চাওখৎমিন্নবা ওইনা হোৎনৈ। মসিসু চাইনাবু পামদবা লৈবাকশিংনদি লল্লোন ইতিক তৌবগী মমিংদা অতোপ্পা লৈবাকশিং অসিদগী লন-থুম মৎপনি হায়না শন্দোকপীরি নোংচুপলোমগী মীদিয়াশিংদা। চাইনানা মতৌ অসুম্না লাল্লোন ইতিক তৌদুনা ঈংনা-তপ্না লৈ হায়দুনা চাইনাবু পাঙদবনি, শোনবনি হায়না লৌবদি অশিংবা ওইরোই হায়না থমজগে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।